# মীদি ওইররোই হায়হৈদে

## ত্রেজিদি সিনসু হঞ্জিন্না য়েংনীংদ্রে হায়বনি

মণিপুরগী মীহুৎশিংসিনা খঙহৌরিরা-খঙহৌদ্রিরা খঙদে। খঙলবসু দেল্লীগী লুচিংবশিংদা 'জি' হায়বদগী হেন্না অতোপ্পা ৱাহে অমা ফাওবা শিন্দোক্তুনা হায়রুবা ঙমজরোইদবগী লেংদুদা অদুম্মক লৈবদগী ওইগদ্রা প্রসিদেন্টস রুলসিগী লৈঙাক লাক্লমদাইদা মীহুৎ অমত্তনা শোৎ-প্রেক লাউখিদে। ফেব্রুৱারী ৯, ২০২৫গী নুংথিলদা ফম থাদোকহনখিবা নুমিৎতুগী মিৎকুপ অমত্তদা হোয়নি-মায়নি হায়খিদে। ফম থাদোক্লবসু হান্নদগী লৈরকখিবা লৈঙাক্তুগী মশক, শকওং-শদাদা খরা হোংদোক-হোংজিন তৌরগা য়াম্না থুনা অনৌবা লৈঙাক অমা শেমগদবনি, শেমহল্লক্কদবনি, প্রসিদেন্টস রুলনা মহুৎ শিঞ্জিনবা য়ারোই হায়বা ৱাহে অমা ফাওবা হায়বা ঙমখিদ্রা? 'দুর্গা পুজা' মনুংদা থৌরমসিগী শরুক অমা ওইনা ঈরাৎলিবা লাইরেম্বীদুনা পেনবীদুনা চানবীনবা 'বলি' তৌদুনা কৎননবা মঙকশমদা থৌরী থুদুনা শেরো-শোরো লাক্তুনা লাইমাঙ তান্না চিংশিল্লকপা হামেং ফাওবা 'মো' হায়দুনা অরোইবা খোঞ্জেলদা খোঙলম্মীনি। অদুবু কুমজা ২০২২দা পাঙথোকপা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখল মতুংদগী ফম থাদোকহনবীরমদাই ফাওবদা ষ্টেটসিগী লৈঙাক খূৎপায়নরকখিবা মখূৎ অনীমক তুবৎ-তুপ্না ককথৎলমদাইদা করিবু হায়খিগে হায়বনি। মশা-মশানা পায়রকখিবা মীয়ামগী লৈঙাক, লৈঙাক্লোনদু মখূৎতগী ফোইদৎতুনা মুনখ্রগনি হায়বা ফাওবা মাঙজৌননা খঙবা ঙমজখিদবশিংসিবু অশেঙবা মীয়ামগী মীহুৎলো? মীয়ামগী তুংগী অশানবা মিৎয়েং কায়দুবু য়েংনবা মপাঙ্গলগী শরুকশিং মখোয়গী মমিৎশিংদুদা য়াওরমখিগদ্রা? য়াওরম্লগা কৈদৌরবা? য়াওনা য়াওনা য়েংহৌদবদগীনি হায়গদৌরিব্রা হৌজিক চহী ২ হেঞ্জিল্লক্লবা ফাওবদা লানসিগী ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদ্রিবসে? ফরেনে, হৌখিবা অমসুং নাম্থোকখিবা ঙানা চাউই হায়বদুগুম্বনি খন্দোক্লসিনে। লৈখিদবদগী মৈ থাদোক্তুনা পোৎলোইথোকখ্রবা মীওইদুবু নুংশি অমসুং পাম্মুই হায়দুনা মোঙফমগী হঙ্গাম মরক্তা খূৎ অনী চঙদুনা হোৎলুবদা করিবু ফংদৌরিগে? মৈতাল, উৎ-ৱাই, মৈচাক ফনবা শীজিন্নখিবা টয়ারগী মথী-মকুমদগী হেন্না করি লৈরমদোইনো? মরম অসিনা কোৎথোক্লুবদা কান্নররোই, কোৎথোক্লগুমসি।

অদুবু হৌজিক চত্থরক্লিবা পার্লিয়ামেন্টকী নোংজু মীফমসিদা পি আরসি অতোপ্পা থা ৬ অমগা শাংদোকহনবদা অয়াবা পীবীনবা য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পুখৎলনি, মুভ তৌরনি হায়রকখ্রে। লোক সভাদদি পুখৎখ্রে ৱাফমসি মচি-মরুমদা লোন্না থুপ্না হায়বা নত্তে, মতম হেল্লবসু শাংদোকহন্দুনা বি জে পিগী নেশনল ওইহল্লকপগী মথক্তা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরসু ওইরিবা জে পি নদ্দানা পার্লিয়ামেন্ট মীফম হৌরমদাইদা চ্যের লৌদুনা পাঙথোকখিবা 'ওল পোলিটিকেল পার্টি' গী মীফমদা য়াম্না ময়েক শেংনা ফোঙদোকখ্রবনি। পোলিটিকেল পার্টি ৪০গী মীহুৎ ৫৪না শরুক য়াখিবা মীফমদুদা জে পি নদ্দাগী মায়কৈদগী লৈঙাক্না পুথোক্কদবা বিলশিংসু ফোঙদোকখ্রিবনি। অদুগা মণিপুরদা চৎহল্লক্লিবা পি আর লৈঙাকসিসু শাংদোকহনবদা অয়াবা লৌনবা রিজোল্যুশন অমসু পুখৎলগনি হায়খিবনি। হায়খ্রবনিনা হয়েং ওইবা য়াই, হংচিৎ ওইবা য়াই সেশন চত্থরিঙৈগী খুদোংচাবা তাঞ্জা অমদা লোক সভাগুম্না শোয়দনা রাজ্য সভাদসু পুথোরক্লগদবনি। রাজ্য সভানসু শোয়দনা অয়াবা পীরক্কনি থাজে। অদুবু হৌখিবনা হৌখ্রবসু পি আর অসিগী অনীশুবা শরুক (সেকেন্দ পার্ট) কী ৱাফম্না মীপূম খুদিংমক্কী চিন্দোন-লৈতোন্দা পক্করক্লিবগী মতাংদনা করম্বা মীহুৎকী মচিন্দগী করি-করম্বা ৱাহৈশিং থোরকখ্রবগে? হৌজিক ফাওবগীদি রাজ্য সভাদা পুথোক্তুনা অয়াবা লৌদ্রি, শাংদোকহন্দ্রি, অহানবসিগী থা ৬কী মতমসু মথং থাদা লোইগদবনি, ৱাৎলি হায়দুনা মৱা-মনিল নাইরক্ত্রিবরা? হায়বদি ষণবী লৈদ্রিঙৈদা হৌদোঙ হাৎপগী ফীভমদুদা তারনেনা 'মৌনি' লুপ্পদৌনা ঈশিংদা থাদবা লৈতুমদৌনা লৈরকপগী ৱারা? থৌওংসি ওইরম্লবদি ঈশিংদা থাদবা লৈতুমসে পীক্কেরা-চাউগেরা প্রপ-প্রপ লৌখৎহৌদ্রবদি কুইনা লুপশিল্লক্লবদি পোপথোরক্তুনা ঈশিং মনুংদা বেশোন তানি। ঈরুপ্পা হৈবা য়াওরবসু অমুক লৌখৎলুগে হায়বদা লৈতুম ওইহল্লকপা ঙম্লোই। লৈনাং অমসুং মকুম ওন্দুনা লৈরম্লগনি হায়বনি। অদুবু লোক সভা অমসুং রাজ্য সভানা অয়াবা পীবা নৎত্রগা পীদবগী মতাংদদি ৱাগী ৱা ওইনা ঙাঙনফমসু থোক্ত্রে। সভা অনীমক্তা মেজোরিটি ওইবদগী লৈঙাক পায়রিবনি। মণিপুরদা চৎনহল্লক্লিবা প্রসিদেন্টস রুলগী লৈঙাক শাংদোকহন্নীংলিবা য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী শৃৎ নানবা লম্বীদা ওপোজিশননা নুঙজাও ওইদুনা খুদি থিহনবা ঙম্লোইদৌরিবনি। মখোয়না অপাম্বদু মখূৎনা ফংনা লৌদুনা মখোয়গী খুবামুংদা চেৎনা পায়খ্রগদবনি। ফীভমসি য়ৌরক্লবা ফাওবদা মণিপুর মীয়ামগী মীহুৎশিংসিনা মচিন-মরৈশিং ফোৎচিন-মেনশিন্দুনা লোন্থোক্তবগুম্না লৈথোকফম থোকপ্রা? পি আর থমজিল্লক্লিবসি য়ানীংদে, শাংদোকহল্লকপসু পামদে হায়রক্কদবা, হায়ফমসু থোক্লবসিদবু হোয়নি-মাইনি কাঙথোক্নরক্ত্রিবসিবু গাড়ী মমাঙদা চোংদা চোংশিল্লু তক্লগা ঐ তৌগে অমসুং শিরগা 'ফোলা' পীজগে হায়বগী ফীভমদুদা লৈরিব্রা হায়বনি। রাজ ভবনদা চেনশিন-চেনশিন্দুনা গভর্ণর উনদুনা ঐখোয় মশীং অসুক শুরে কায়না লৈঙাক শেমজরগে অমসুং শেমহনবীরো হায়জখিবদা করি হায়খিগে? মীয়াম্বু কোৎথোক-কোৎথোক্তুনা পকশিল্লগা মীয়াম অমসুং মীয়ামগী লূপশিংগী অনীংবা-অপাম্বগী মতুংইন্ননি হায়খিদাইনে? অতোপ্পা থা ৬ অমগা শাংদোকহন্ননবা য়ুনিয়ন লৈঙাক্না মফি শেমদুনা ফেংগৎলক্লিবসিদি মীয়ামগী অপাম্বা ওইরমগনি খনব্রা? হৌজিকসু মতম লৈরি। ঐখোয়বু ফম থাদোকহল্লগা থম্লক্লিবা পি আরসিনা অহানবা অমসুং অরোইবসু ওইহল্লু। মখা শাংথহন্নবা থৌরাং তৌরক্কনু, শাংথহল্লক্কনু হায়দুনা অঙম্বা পাঙ্গল পুথোক্তুনা অরোইবা খোঞ্জেলদা লাপখ্রবা দেল্লীদা লৈবা 'জি' মিঙ্গৌনজবশিংদুগী নাকোংদা শীংজা য়ৈরুনবা লাউফম থোক্ত্রিবরা? মতম ৱাৎলিব্রা? কনাবু নৎত্রগা করিবু ঙাইখিগে হায়বনো? খৌনাও তৎপমখৈ লাউরুরবসু নুঙদা ঈশিং চাইবদৌনা থোক্লগনি হায়বা ওইরগনা মীহুৎশিংসি লৈবগী করি কান্নখিদোইনো? মখোয়গী লিন্দাসিদা 'হোৎতি-হোৎনৌ, তুংগী 'আশা' য়াম্না লৈরি অদুবু মীদি ওইররোই' হায়রুরদি মীওইবা কৌবনিনা ৱারৌরক্কনিনে!!

## মীতৈগী পুয়া 'নিঙ্থৌলোল্ লম্পুপা'

## (নিংথৌরোল লম্বুবা)-(৬১২)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্তগী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু নুমিৎ খুদিংগী ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

নোংয়াই তারোং পারেংফেল ও। মিংথোল মিংকৌয়ে। লমলেল খোইচু তৌবুল লমমাহল। হাওরমতোল লৌথিবনা থাংয়ান লম। হাওরমহলবা লুতু ৱাই। হাওরম নিঙকোই য়াইমাবা। মিৎকপ ঈ। লিকলাই তারোং পরেং কেন মিংকৌবা লমদা। লাইরেল মৈদিংঙুনা তুবী মতিক মথৌনা উৎনা। লাইরেল মতিং ফুদোকনা হুয়েল লালদা খৌশাখিবদি। থোংনাং তেংকোন লালবল কাইরে। ময়াং ময়াই তেংগোল চাইখাইরে। ●

## ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ'

## (ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ) -(꯶꯱꯲)

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕꯥ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇꯥ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯃꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅꯥ ꯂꯥꯏꯊꯣꯛꯂꯕ ꯏꯊꯣꯛꯄꯥ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯁꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯐꯣꯡꯖꯔꯒꯅꯤ॥)

ꯅꯣꯡꯌꯥꯏ ꯇꯥꯔꯣꯡ ꯄꯥꯔꯦꯡꯐꯦꯜ ꯑꯣ॥ ꯃꯤꯡꯊꯣꯜ ꯃꯤꯡꯀꯧꯌꯦ॥ ꯂꯝꯂꯦꯜ ꯈꯣꯏꯆꯨ ꯇꯧꯕꯨꯜ ꯂꯝꯃꯥꯍꯜ॥ ꯍꯥꯎꯔꯝꯇꯣꯜ ꯂꯧꯊꯤꯕꯅꯥ ꯊꯥꯡꯌꯥꯟ ꯂꯝ॥ ꯍꯥꯎꯔꯝꯍꯂꯕꯥ ꯂꯨꯇꯨ ꯋꯥꯏ॥ ꯍꯥꯎꯔꯝ ꯅꯤꯡꯀꯣꯏ ꯌꯥꯏꯃꯥꯕꯥ॥ ꯃꯤꯠꯀꯞ ꯏ॥ ꯂꯤꯀꯂꯥꯏ ꯇꯥꯔꯣꯡ ꯄꯔꯦꯡ ꯀꯦꯟ ꯃꯤꯡꯀꯧꯕꯥ ꯂꯝꯗꯥ॥ ꯂꯥꯏꯔꯦꯜ ꯃꯩꯗꯤꯡꯉꯨꯅꯥ ꯇꯨꯕꯤ ꯃꯇꯤꯛ ꯃꯊꯧꯅꯥ ꯎꯠꯅꯥ॥ ꯂꯥꯏꯔꯦꯜ ꯃꯇꯤꯡ ꯐꯨꯗꯣꯛꯅꯥ ꯍꯨꯌꯦꯜ ꯂꯥꯂꯗꯥ ꯈꯧꯁꯥꯈꯤꯕꯗꯤ॥ ꯊꯣꯡꯅꯥꯡ ꯇꯦꯡꯀꯣꯟ ꯂꯥꯂꯕꯜ ꯀꯥꯏꯔꯦ॥ ꯃꯌꯥꯡ ꯃꯌꯥꯏ ꯇꯦꯡꯒꯣꯜ ꯆꯥꯏꯈꯥꯏꯔꯦ॥ ●

# হৌরকত্রিমখৈদি ফরে, হৌরক্লগনা ইরাইবক ওইরে - 'কুকি-লান'



মতম মতমগী ৱাফম
সেঞ্জম দেবেন

হৌজিকসি মণিপুরগী য়েলহৌমী মীতৈশিংগী মথক্তা কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা তারকপা লানসি লোইখ্রবরা? লোইদ্রি, নীংশিংল-নীংশিংলগা মচি-মচিশিংদা, হৌজিকসু অদুম্মক মরক-মরক্তা লান তারকপা লেপত্রি নৎত্রা? ফীভমসিদা মণিপুরগী য়েলহৌমী মীতৈশিংনা নংলিবা দশাসি করিনো? কুকিশিংনা মখোয়গী ফীভমদা অহোংবা অমা লৈরকপদগী নৎত্রগা মখোয়গী লুচিংবশিংনা লেপ্লবা ৱারেপ অমা লাকপদগী মণিপুরগী য়েলহৌমী মীতৈশিংদা ওনশিন্দুনা লান তারকপগী থৌদৌসি হেক লেপ্লিবা মখৈদি মণিপুরগী য়েলহৌমী মীতৈশিংসি লাইবক ফবা হায়বদু ওইরে অমসুং অৱা-অনা, মীশি-মীনা য়াওনদ্রে। অদুগা করিগুম্বা মতমদনা ইখঙ হেক খঙহৌদনা, মরম অমা নৎত্রগা অমদগী হেক্তা খঙনীং-নীংশিংলক্তুনা কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা মণিপুরগী মীতৈশিংদা ওনশিন্দুনা লান খংতা হেক তারকপা থোক্লবদি, মতমদুদদি মণিপুরগী মীতৈশিংসি মথোঙ-মরম অমত্তা খঙনদনা, খোইরেল মসা পাইবা মখৈ কোইরাঙ-লাঙনদৌরিবনি। অদুগা উচিন-নাচিন্না পাম্বৈ অমা নৎত্রগা অমা থীরগা নমদুনা কুকিশিংনা তারক্লিবা লানদু মায়োক্লবা ঙম্নবসু হোৎনগদৌরিবনি। সিনি মণিপুরদা হৌজিক ওইরিবা কুকিশিংগী লানগী শক্তম অমসুং মণিপুরগী য়েলহৌমী মীতৈশিংগী ফীভম। ফীভমসিননি মণিপুরদা কুকিশিংনা তারক্লিবা লানসি, মণিপুরগী য়েলহৌমী মীতৈশিংদদি হৌরকত্রিবা মখৈদি ফরে, হৌরক্লগনা ইরাইবক হায়বদু ওইরে হায়নরিবসি।

ইরমদম মণিপুরসিদা হৌজিক চত্থরিবা কুকিশিংগী লানসি চহী অনী হেনখ্রবনি। ফীভমসিদা মণিপুরগী য়েলহৌমী মীতৈশিংগী মায়কৈদগী ইন্দিয়া লৈঙাক্তা হায়জবা য়াবা হায়জখ্রে, তান্নবা য়াবসু তান্নজখ্রে। অদুবু মনুংদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা কুকিশিংবু ফৈগাক ফৈনা য়োক্তুনা থল্লম্বা মানবা থৌদৌ কয়ামরুম তত্তনা উনরকপদগী হৌজিক্তি মণিপুরগী য়েলহৌমী মীতৈশিংনা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা তকশিল্লগা য়াগনি হায়বগী থাজবসি মাঙশিল্লকপগুম তৌনরি। অঙম্বা কাঙবুনা ঙম্বসি ঙম্মী, মখোয়দা হায়জরুবা অমত্তা নিংথিনা তাবীদে। মমি ফাওবা শোয়-ঙাম্বদগী নেৎলু-লাক্লুবা য়াবা নত্তে, শিনীংচিত্তা দশা তানদৌরিবনি। লানগী অচুম-অরানগী ৱাফম মণিপুরগী য়েলহৌমী মীতৈশিংনা পল্লুবা থোক্লবদি লৌনা ইরোইনা চারগা দশানা শগোলদা তাই হায়নবদুমক চপ চানা হেক্তা থোক্কদৌরিবনি। হৌজিক মণিপুরগী য়েলহৌমী মীতৈশিং ৱা ঙাঙবা য়াদ্রি। ইপা-ইপুশিংনা থম্বীরম্বা পাউতাক, "মৱা-মপুরোইবনা ফৎত্রবদি শিবা ঙাইয়ু' হায়নবদু ওন্থোক্লা চুমখ্রবা পাউতাকনি। পাউতাকসিগী ৱাহন্থোক্তু হন্দক্কী মতাংসিদা মণিপুরগী য়েলহৌমী মীতৈশিংদা চপ চানা থোক্লবগুম্মী। লুরিবদি, শিবা ঙাইরিঙৈদা মণিপুরগী য়েলহৌমী মীতৈশিংদা করি থোকচিল্লক্কদগে হায়বসিনি। য়েংবদি তাবনি, তাইবঙ মপূনা তম্বীবা অমদি শোয়দনা লৈরম্লগনি। তান চারগনা মখোয়সু মরকসিদা ৱাখল তাথরকপসু ময়ারি নৎত্রগনা ৱাখল হোংদোক্নখিবদগী অহোংবশিং লাকপসু য়ারি। হৌজিকমক্কী ওইনদি পূম্নমকসি তাইওন্নরি। চীংজিন্দা লৌ উবা ঙমদ্রি, পোইনুদসু লৌ লোকপা য়াদ্রি। পাল্লিবা মণিপুরগী লৈঙাকসিনসু ফীভমসিদা মণিপুরগী লৌমী য়েলহৌমী মীতৈশিংবু মপূং ফানা ঙাকপী শেনবীবগী থবক মতিক চানা লৌখৎপীবসু তৌদ্রি।

মণিপুরদা হৌজিক য়েলহৌমী মীতৈশিংগী মথক্তা লান্দারক্লিবা অমসুং মখোয়গী পার্মিনেন্ট ওইবা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন অমা তাল্লক্লিবা কুকি-জো কাঙবুশিংসি কনা-কনানো অমসুং মখোয়সি য়েলহৌরকঙৈদগী হৌনা মণিপুরগী পুৱারীদা কয়াম নকশিন্নরকপা মীওইশিংনো হায়বসি মণিপুরগী অশেংবা য়েলহৌমী কাঙবুশিংনা মশীং থিঙমদনা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা খঙহনখিবা লৈখ্রে। অদুবু লাইবক থীরিবদি, হীরমসিদা মীগী মরমদম মুল্লগা নমদুনা মখোয়গী মরম ওইগে খল্লিবা অমসুং মীরমদা লৈহৌবা মপা-মচাশিংবুসু লোইনা কৌশিল্লগা লমদমসিদা তৌনীংবা বিজিনেশ তৌমিন্নদুনা মখোয়গী লম হেন্না চাওথোকহনগে নীংলিবা কুকি-জো কাঙবুশিংসিনা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা ঙাইহাক লৈতনা খোইচাক থাজিল্লিবসিনি। লুরিবদি, মখোয়না থারিবা খোইচাকশিংদু ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ঙসি ফাওবদা খোইচাক্লি হায়বসি খক খঙদবগুম তৌরিবনি। হেন্না ময়েক শেংনা হায়রুরসু ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মণিপুরগী য়েলহৌমী কাঙবুশিংসি মচিন থী হায়দুনা চৈরাক পীগে হায়রক্কদৌরিবনি। সি য়ৌনা লুশিল্লক্লবা মণিপুরগী য়েলহৌমী কাঙবুশিংগী ফীভমনি। ফীভমসিদা মণিপুরগী য়েলহৌমী মীতৈশিংদা লান্দারক্লিবা কুকি-জো কাঙবুশিংসিনা মপান লৈবাক কয়ামরুমদসু মখোয়না ওইদ-পাদবশিং হায়জিন্দুনা মখোয়গী মীচং খোল্লি। মখোয়না হায়জিল্লিবসি, মখোয়সি মণিপুরদা খুন্দাজবা মণিপুরগী মাইনোরিটি কাঙলূপ্নি, অদুবু মণিপুরদা মেজোরিটি ওইরিবা মীতৈ কাঙলূপ্না মখোয়বু হঞ্জিন-হঞ্জিন ওৎপী-নৈবীবদা নত্তনা মরমদমদগী ফাওবা তান্থোকপীরে হায়বসিনি। থৌদৌসি য়ুনাইটেদ নেশন্সতা মখোয়না কৎলিবা ৱাকৎশিংদুনা তাকচবনি। মখোয়না শোমদা আইন্না য়াদবা থবকশিং ঙাক্তা তৌদুনা হুরান-লোন্নাদা মণিপুরগী সোসিএল ফোরেষ্ট্রিগী মশীং থিঙমদ্রবা উমংশিং কোকথোক্তুনা পোপী পাম্বীশিং থাজিন্দুনা অমদি হিরোইন নম্বর ফোরনচিংবশিং শুংদুনা হুরান-লোন্নাদা শেল কয়ামুক তাল্লি হায়বসিদি মালেমগী অতোপ্পা লৈবাকশিংসিনা খঙবা ঙম্বা নত্তে।

কুকি-জো কাঙবুশিংসি মহৌশানা মশাগী অশেংবা মরমদম হায়বদু লৈরক্তনা, মীচেনশিং ওইদুনা হৌরকপা কাঙবুশিংনি। মরমসিননি মখোয়সি অসুক্কী মতিক ঙাঙন-শানবদা ৱারিবা অমসুং শাথীরিবসি। মসি পূম্নমকসি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা হান্নদগী হৌনা খক, শুকখঙ খঙলক্তে হায়বা ৱাফমসিদি তশেংনা মীনা তাবদা ঙক্লগদৌবা ৱাফম্নি। হৌজিকসুনি, মণিপুরদা কুকি-জো কাঙবুশিংসিনা তারক্লিবা লানসি ঙসি ফাওবদা মণিপুরগী য়েলহৌমী মীতৈশিং মতোমতনা, নাইতোম ওইনা পান্নদুনা লাক্লি হায়বসি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা খঙনা-খঙনা খক, ৱাফম অমত্তা ফাওবা ফোঙদোকপীদ্রি। ফীভমসিননি, মণিপুরগী য়েলহৌমী মীতৈশিংগী মরাইবক লমহেনবা কুকি-জো টেররিষ্টশিংসিগী অনীংবা-অপাম্বগী মখা পোন্না লৈয়ু হায়ব্রা হায়বা ৱাহংশিং মণিপুরগী য়েলহৌমী মীয়াম্না ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মফমদা হংনরক্কদৌরিসি। লমহেনবা, ঙাঙন-শক্লা য়াদবা কুকি-জো টেররিষ্টশিংসিনা মণিপুরগী য়েলহৌমী মীতৈশিংগী মথক্তা তানীংবা মতমদা লান তা, লেপ্পিংবা মতমদা লান লেপ, ইন্দিয়া লৈঙাক্লা শুপ্নগী ৱাহে অমা ফাওবা মখোয়গী মথক্তা খক হায়রক্লরোই হায়বগী মতাগুম কুকি-জো টেররিষ্ট কাঙবুশিংসিনা ষ্টেটসিদা চত্থরক্লিবা থৌদৌশিংসি ময়েক্কীদি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা চপ চানা থিংবীফম থোকপা নৎত্রা? থিংবীবগী মহুত্তা হীরমসিদসু ঙসি ফাওবদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মণিপুরদা থাজিল্লক্লিবা ইন্দিয়াগী সিফাইশিংসিনা অহোয়নদুম হঞ্জিন-হঞ্জিন কুকি-জো কাঙবুশিংসিগী মতেং ওইনা পাঙদুনা লাক্লি। ফীভমসিদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মণিপুরগী য়েলহৌমী মীতৈশিংসিগী ঙাকপীফম থোকপা ইকায়খুম্নবশিং অমদি ফংহনবীফম থোকপা মনীং তম্বশিংদু কদাইদা ঙাকপীরিবগে অমসুং কদাইদা ফংহনবীরিবগে হায়বসি মণিপুরগী য়েলহৌমী মীতৈশিংগী অমত্তা ঙাইরবা ৱাহং ওইরক্কনি হায়বসিসু ইন্দিয়া লৈঙাক্লা খঙবীফম থোকই খল্লি।

মতম অমদা মণিপুরগী য়েলহৌমী মীতৈশিংনা মণিপুরদা চেনশিল্লক্তুনা চীংগী লমদমশিংগী মচী-মচীশিংদা খুন্দাশিল্লবা কুকি-জো কাঙবুশিংবু থৌওই-ৱাওইনা খক খনবা তৌখিদে। মদুগী মহুত্তা থোইনা হেন্নদুম কনাসু লৈজদ্রবা অমগুম মীনুংশিগী মিৎয়েংনা য়েংবীদুনা ইচিন-ইনাওশিংমক্কুম অদুক্কী মতিক লুনা-চান্না তৌবীরকখিবনি। মতমদুদা কোন্না অসুম্না থোক্লক্কনি হায়বসি ৱাখলনা লাম্বা ফংলুদবা মণিপুরগী য়েলহৌমী মীতৈশিংদুনা মথম্মোয়নুংদা হূ ফুল্লগা মীচেন ওইনা চেনশিল্লক্লিবা কুকি-জো কাঙবুশিংদুগী মফমদা অহকপা ৱাখল অমত্তসু খলহৌখিদে। মদুগী মহয়না ঙসিদি নুংঙাইরে, মণিপুরগী য়েলহৌমী মীতৈশিং মতমদুগী শৈদাংবা কুকি-জো কাঙবুশিংদুগী মখূত্তা মঙলাক্লরবা মীওইশিংগুম, নোংম-নোংমগী ৱাখল মাঙশিল্লক্লিবসিনি। ●

# 'অচম্বা খূৎ নত্তে, কিরনজিৎকীসে!'

## (বাঁসি শাবগী অতোপ্পা খোন্থাং-৯)



শিন্নাইশঙগী ইৱাই-ইনিল
ডা. লাইশ্রম ইমোবা

শম্না হায়জরবদা দিমান্দ খুদিং মপূং ফানা সপ্লাই তৌবসি ঙমগন্দে হায়বনি। অদুম্নদি ওইরগা কিরনজিৎকীদি মহাক্কী ইন্দষ্ট্রি অসিনা পুথোক্লিবা পোত্থোক বাঁসি মখলশিং য়াওনা মশাগী ৱেবসাইট অমসু হাংদুনা থাগৎলুবা অসিনা মালেমগী ওইনা বাঁসিদা লূপচবা ম্যুজিকোলোজিষ্টশিংনদি ইতৎ তত্তনা মাগী খোঙ্গুল লীরক্লি। মসিগী হায়রুরবদি কিরনজিৎসি খূৎনাইবা ওইজরগসু কুনমাথোইশুবা চহীচাসিগী শাহুম ফংবা মীশক্লি হায়বসিমদি ময়েক শেংলে হায়না লৌজরে। হায়বসু হায়বা শাবনি বাঁসি হায়বসিমক্তবু কৈথেল ঙামোক্লুম মীপূম খুদিংদা মথৌ তাবা পোৎশক অমদি নত্তে। অদুনা মসি পাম্লগসু লৈফম, য়োনফম খঙদবা, পামদুনা লৈরুরগসু শীজিন্নবা হেক্তমক হৈগদবা হায়বদু ওইদে। শুম্নমক্তবু মসিগী পোৎশক অসিদি অকক্লবা মীওই খরখক্তগী তাইবঙদা লৈজবা পোৎনি। অদুবু মসিদা লুপচবা ম্যুজিসিয়নশিংগী মফমদদি মমল নাইবজাৎ নত্তেদা। মখোয়গী মফমদদি কদাইদা করি লৈরি, কনানা করি শারি হায়বসি অউপ্পা উনা লোংথোকপা, অরোংবা উনা উপশিনবগী মতৌগুম হুমা-হুমা থিনবা মীসু অদুম্মক ৱাৎপজাৎ নত্তে। অসুম্না ইন্দিয়াগী ষ্টেট কয়াদগী বাঁসি খোঙবা ম্যুজিকোলোজিষ্টশিং মরক মরক্তা মহাক্কীদা থৌওইনা লাক্লগা য়েংলবা অমদি লৈদুনা পুখিবা কয়া অদুম্মক য়াওরি। কনাদা কৈদৌঙৈ লাক্কদগে তম্বা ঙম্বা নত্তে। মণিপুরদা মরম অমা নৎত্রগা অমগী লাকপা ফোরেন টুরিষ্টশিংগী মরক্তগী কিরনজিৎকী 'বি কে ফ্লুট ইন্দষ্ট্রি' গী খোঙ্গুল লীরকখিবা কয়াসু য়াওরি। অফ্রিকা অমদি য়ু কেদগী, চাইনাদগী য়াওনা ইথা থাজরুদবা লৈবাকশিংদগী বাঁসি খোঙবা ম্যুজিকোলোজিষ্টশিংনা মণিপুরদবু লাক্লবদি মাগীদা হেক হেক চঙবীরম্মী। অসুম্না মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাক্কী বাঁসি খোঙবা অমদি শাবা হৈবশিংগা শক্কা-শক্কা উনদুনা ফম্মিন্নদুনা শেগা-মাইগা হায়না চিনগোই পাউমেন্নবা ফংলকপা অসিমক্তি কিরনজিৎনা লাইবক ফবনি হায়না লৌজে।

মতৌ অসুম্না মণিপুরগী বাঁসি খোঙবা অমদি শাবগী লম্সিদা কিরনজিৎনা অনৌবা পুৱারীগী লমাই অমা হাংদোরক্লিবসি লমদম অসিগী ওইনা থোইদোক্ল । চাওথোকচনীংঙাইনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। ঙসিদি মহাক মালেমগী থাক্তা বাঁসি শাবা খূৎনাইবা অমা ওইবা ঙম্লে। অদুবু মহাক্কী ৱাখল, মিৎয়েংদি মশ্বাইদা লোইদ্রি। হৌজিক মহাক মশাগী কম্প্যুটরাইজদ ষ্টুদিও অমা য়াওনা মশাগী পোত্থোকশিংগী শো-রূম অমসু কন্না শেমগৎলি, মপূং ফারক্লে। মতম অমদা বাঁসিগী শুর য়েংবা খোৎপসি হার্মোনিয়মনচিংবা শীজিন্নরম্বনি। হৌজিক্তি কি বোর্দনচিংবা মখল মখা কয়াগী ইলেক্ট্রোনিক ইক্কিপমেন্ট কয়া পুথোক্লুরক্লে। মসিদা নত্তনা বাঁসিগী মখোল ফাওবা কি বোর্দনচিংবদা হাপ্লরে। অদুবু অশেংবা হায়বসিগী তোপ তোপ্পা মতিক ময়াই অদুদি য়ৌহনবা ঙম্বা নত্তে, উ লৈতবা মফমদা কেগেনা য়ূম্বী ওই হায়নবা, মনানা হৈমাং শাই কা হায়নরিবা অদুনি। মরম অসিনা মহাক্কী বাঁসিগী ইন্দষ্ট্রিসিমক্তি মপাল মরা তারক্কনি হায়না খল্লি।

"বাঁসি খক শাবসিনা হিংবা ঙম্লদ্রা?" ৱাহং অসিমদি হংবদা লায়বা পাউখুম পীবদা নোকমি-নোকমিদং তৌরগা ৱাহে থোরকপদা পনবা হায়বদু হেক থোক্লি। অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু কিরনজিৎকী ওইনদি থোইদোক্ত্রে হায়বা য়াই। মরমদি মহাকসি মখূৎ লেঙবা, মায়থোঙ লোঙবা খূৎনাইবনি। শিনফমসিগী মথক্তা মহাক লাই য়েকপা, হক-খোৎতুনা মীতম শাবা, ক্লে মখল-মখলনা লাইগী মীতম শাবদসু মখূৎ চৎপা হায়বদু ওইরি। মহাক্লা শাবা ইমোইনু অহোঙবীগী তোঙান তোঙানবা সাইজগী মীতমশিং মীয়াম্না পাম্নরি। য়েকপীয়ু, শাবীয়ু হেক হায়রবা মহাক্লা মীওইশিং অদুগী মনীং থুংহন্নবা হোৎনবদা হালেংদে। মসিমকসু মাগী হেন্দোক থোইদোকপা মগুণ হায়বদু ওইরি। পূম্নমকসিগী মথক্তা হৌজিক্লা মহাক ম্যুজিক কম্পোজগী লম্‌দসু খূৎ থারক্লি। মশামক অসি হৌজিক পাখঙ; পাখঙ হায়ববু য়ং-য়ং লাউরিবগা ওইরিবনিনা করিবু থোক্লগবা হায়বা ঙমদ্রি।

মপান নাইদবা খূৎনাইবশিংগী ৱাখল, মীৎয়েংনি। ঙসি ফাওবদি করি ওইরি হায়বা খঙবা ঙমদ্রি। অদুবু হয়েংনা করি ওইরকপা তম্বা ঙম্বা নত্তে। বাঁসি মখোল অমহিকসুং মসিদা হুৎলিবা মখুলগী মশীং অসিগী মখৈদি লেঙদ-হোংদনা লৈরকখিবসু ময়াই। অদুম্নদি ওইরগা মসি কোঙয়াং ৱাদখক কক্লগা-হুৎলগা শানরিবসিদগী হুৎ লৈথোক্লগা য়োৎ, এলুমিনিয়মগুম্না ধাতুগী মরীল হোবা উতোং (পাইপ) অমদা মশক মওং ইকায় হেক কায়দনা শেম-শারগা শীজিন্নবা য়াবা খক্তা পুথোক্লরকপসু য়াই। কনানা খঙবা পুথোক্লরম্বসু ময়ারিবা পোৎনি। চুম্না মখোল থোকহন্দুনা খোঙবখত্তা নত্তনা য়ৈন-শুনবদা খূৎলায় ওইনা শীজিন্নরকপা য়াওরক্লোই হায়বা ঙম্বজাৎ নত্তে। পল্লুবদা কান্নগদবদি নৎত্রে, অঙাং ওইরিঙৈ নোংমা পুলিস অমনা য়োৎকী বাঁসি অমা, মখোয়গী খূৎপায়চৈ ওইনা পায়বা উখিবনি। মশক-মমিং, মতম নীংশিংখিদ্রে। ●



কিরনজিৎনা শাবা চাইনিজ ফ্লুট ব্রান্দ এপ্লেসেদর অমনা খোঙবগী মওং উৎপা